এন ঐচ আই দি সী এলনা পল্লেলদগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট দেবিদ বোয়েসনা লুচিংবা টিম অমনা হকথেংননা য়েংশিনখিবা

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট লৈখিদ্রবী সনসম নিংঙোল সোইবম ওংবী মোমোন লৈমগী মফমদা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম

Soibam
Momon Leima

ইদ-উল-অধানা লাকপদা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমসুং ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা মুস্লিমগী ইমুংশিংদা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা চেঙ য়াওনা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখিবা

কোভিদনা মরম ওইরগা চৈথেং নংলবা থম্বালখোং সাবল লৈকায় অমদি তোপ অৱাং লৈকায়গী ইমুং কয়ামরুমদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী লোয়নবী নহাকপম রেখানা চান-থক্কবা পোৎলম তেংবাঙ ওইনা পীখিবা

পাউমী অহুমদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট ৱেলফেয়র স্কিমগী মখাদা পাউমী অহুমদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীখ্রে। কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি আই পি আরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সশিং অদু দি আই পি আরগী দি দি ও, এল অশোকুমার অমসুং এ পি ও (প্রেস) টি সঙ্গিতানা খুৎশিন্নখিবনি।

অনা-লায়েংগীদমক নাগালেন্দ পোষ্টকী ইম্ফাল করেস্পোন্দেন্ট থিংবাইজম ধমেনদা লুপা ৫৭,০৫৭, পাউনিলখোন পাউচেংগী এদিটর চোংথাম মেঘবর্নাদা লুপা লাখ ১ ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স ওইনা পীখি। অদুগা পাউমীশিংনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা পীবা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা অজা দেলিগী করেস্পোন্দেন্ট লৈখিদ্রবা থোৎসং সৈজাগী লোয়নবী লৈশিৱোন সৈজাদা পীননবা লুপা লাখ ২গী চেকসু অজা দেলিগী মীহুৎতা খুৎশিন্নখি। হৌজিক ফাওবদা স্কিম অসিগী মখাদা মীয়িদা পার্সন ২১দা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীখ্রে হায়রি।

দামগী সট্টর প্লেট শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা ঙসি এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা অরোং তুরেলদা লৈরিবা দাম অসিদা হকথেংননা লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা দাম অসিগী সট্টর প্লেট য়াদবা য়াওবা অসি খুদক্কী ওইনা উবাক্না শীনবীদুনা শেমহনখ্রে। মসিনা অথোকপম অমদি খাঙবোক ভিলেজদা লৈরিবা লৌমী কয়ানা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অদু কোক্লবা শীনখ্রে। লোয়ননা ঈশিং ময়েংখরা হন্থরকপগা দাম অসিগী য়াদবা পুম্নমক এম এল এনা শেমজিল্লগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা ফোঙদোকপীরম্ববু এম এল এবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্কবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ইদ-উল-অধাগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর খারিবম জিবননা ঙসি এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী ইদ কুম্মৈ পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুমথোঙশিংদা চান-থক্কবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী খোঙচৎ অদুদা ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লী মীখলদা ৱাংখেম এ সীদা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাংলিবা কে ঐচ জিবননা হায়, কোভিদ -১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা ৱানরবা এ সী অসিগী মীয়াম্না কুম্মৈ অসি পাঙথোকপদা মতেং খরদং ওইনবা ৱাখল্লোন্দা চান-থক্কবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকচবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচএনএস): খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্তুনা চথরকপা থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা ঙসিসু সঙ্গাইয়ুন্ফম অমদি অথোকপমদা মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে।

ভেক্সিনেসন অদুদা সী এম ও থৌবালগী মখাদা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইনা মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিং, ষ্টাফশিং, নর্সশিং অমদি টাস্ক ফোর্স ভলন্টিয়রশিংনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবীরিবা অদুদা এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা থাগৎপগা লোয়ননা অপেনবা ফোঙদোকখি। এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীপুম খূদিংমক্না কোভিদ ভেক্সিনেসন অসিবু কাপথোকপীনবসু আপীল তৌখি। মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিং, ভলন্টিয়রশিংদসু মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভ অমদি শেলনচিংবা পোৎলম কয়ামরুমসু খুৎশিন্নরমখি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা কোলেজশিংগী ওইনা মূদল লর্নিং মেনেজমেন্ট সিষ্টেম লোঞ্চ তৌখ্রে

State Level Launching Ceremony
of the
...dle Lea...ing M...agement Syste...

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি এদেদ কোলেজশিংগী ওইনা মূদল (এম ও ও দি এল ঈ) লর্নিং মেনেজমেন্ট সিষ্টেম লোঞ্চ তৌখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (য়ু)কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা হায়খি, মূদল লর্নিং মেনেজমেন্ট সিষ্টেম অসি খ্বাইদগী নৌবা ভর্জনগী তোপ-তোপ্পা ওনলাইন এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমনি। মসিনা অতোপ্পা সিষ্টেমশিংদগী হেন্নসু অরাইবা মওংদা মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচাবা পীগদৌরিবনি। নৌনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা হৌজিক্কী পেন্দমিক মতম অসিদা ষ্টেট অসিগী কোলেজ মহৈরোয়শিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

মহাক্না হায়খি, এদ্যুকেসন সেক্তর অসি ঐখোয় খূদিংমক্না খ্বাইদগী মরুওইনা লৌদুনা প্রমোট তৌবা মথৌ তাই। হায়র এদ্যুকেসনগা য়েংনরুবদা স্কুলগী থাক্তনা হেন্না মীৎয়েং থম্বগুম্না তৌরি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কোলেজশিং অসি এন এ এ সীগী স্কোর তৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরি। ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসন মরুওইনা হায়র এদ্যুকেসন প্রমোট তৌননবা হায়র এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নার, দিরেক্টর অমদি ওফিসলশিংনা চোকথবা নাইদনা কন্না হোৎনরি। মহৈ-মশিন তম্বীবগী শিনফমদা লৈরিবশিংনসু কথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌগদবনি। মহৈরোয়শিংদা ৱাখল-লৌশিং অমদি স্কিল কয়া তাকপী-তম্বীদুনা ওজাশিংনা খুন্নাই অসিবু অফবা মায়কৈদা পুননবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ওজাশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা তৌরিবা থবকশিং অমদি লৌরিবা থৌদাংশিং অদুবু চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ৫দা ঈকায় খুম্নবা উৎলিবনি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফেল ওইরবদি জেনরেসন পুম্বা মাঙগদৌরিবনি।

ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসন প্রমোট তৌননবা লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থবকশিংদা পুম্নমক্না তেংবাঙ পীবীয়ু। মহৈরোয় অমদি ওজাগী লূপশিংনা অয়েৎ-অপন অমদি খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপনসু স্কুল অমদি কোলেজশিংগী টিচিং অমসুং লর্নিং প্রোসেসতা অকায়বা পী। মরম অসিনা অসিগুম্বা পামদবা থৌওংশিং অসি তৌবীগনু। গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংগী ওইনা অৱাৎপা ষ্টাফশিং অথুবদা মেনশিন্ননবা রিক্রুটমেন্ট দ্রাইভসু চথরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নার এম হরেকৃষ্ণ, এদ্যুকেসন (য়ু)কী দিরেক্টর ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম, এম য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর সনাতোম্বী, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর রাজমোহোনসু শরুক য়াখি।

কাঙলুপ অমত্তনা মণিপুরগী লমবু অখুবা ৱাখল্লোন্দা য়েংবীদনবা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): কাঙলুপ অমত্তনা মণিপুরগী লমবু অখুবা ৱাখল্লোন্দা য়েংবীদনবা কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা আপীল তৌরক্লি।

কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী মীদিয়া কো-ওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ৭২শুবা বন মহোৎসব সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম 'এগ্রি লেন্দ ইন দি ষ্টেট বিলোংস টু দি ষ্টেট' অসি চান্মাদা চান্মা চুল্লবা ৱাফমনি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না 'দি হোল লেন্দ বিলোংস টু দি য়ুনিয়ন ওফ ষ্টেট' অসি ময়েক শেংনা পনবা মরম্না লৈবাক্কী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবা অচুম্বা ৱাফমসি কৈদৌঙৈদসু ককনিংঙাই ওইদে।

চেরোল অসিনা হায়, চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না মণিপুরগী লম অসি ঐখোয় পুম্নমক্কীনি হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা নুংশি-চান্নরা হিংমিন্নসি। ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্নরা লৈমিন্নরবা কান্দা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক্না মণিপুরগী শক্তম কায়ননবা কৈদৌঙৈদা শীনবা ওইথোক্লোই।

মণিপুরগী এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসি পুন্না ৬০নি। মসিগী মনুংদা সিট ১না সেদ্যুল কাষ্টকীনি অদুগা ১৯না সেদ্যুল ত্রাইবকীনি। লেমহৌরিবা সিট ৪০না জেনরেলগীনি। জেনরেলগী মনুংদা কাংপোকপী এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিসু চল্লি। মসিদা মতৌ করম্না কাংপোকপী কন্সটিট্যুএন্সি অসি জেনরেলনা রিপ্রজেন্ট তৌরমলিবনো হায়বা ৱাফম কয়া লাক্লিবনি। অমরোমদা, আর্টিকল ৩৭১ (সী) অসি মণিপুরগী য়েংদুনা শেমখিবা টেম্পররি আর্টিকলনি। হায়বদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী আর্টিকল ৩৭০ গুম্বনি। মসিদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌথোক্লিংবা মতমদা লৌথোকপা ঙম্মী হায়বসিসু খঙজিনবীবা ফগনি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা সোল্লর লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা থা অসিগী ১৯দগী ওগষ্ট ১৩ ফাওবা চথগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা শরুক য়ারুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা সনা কোনুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী হিষ্টোরিকেল সাইট য়াওনা মফম মঙাদা থাননবা সোল্লর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, ঙসি য়েন্থোক্লিবা সোল্লর লেম্প অসি এম পিগী কোটাদা পীরকপনি। এম পিগী ওইনদি চহী ১গী ওইনা সোল্লর লেম্প ১০০ রোম পীবনি। অদুবু লাইবক থীবদি সোল্লর লেম্প অসি মশীং শুনা পীরক্তিঙৈদা মতম লোইরে হায়না হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৩ খঙহল্লকখি। অদুবু সোল্লর লেম্প অসি মণিপুরগী মফমশিংদা ফংহন্দবা য়াদে হায়না কন্না হায়জবদগী সেন্টরনা য়াবীরক্লুনা থা ৩ মতম শাংদোকপীরকপনি। হায়রিবা লেম্প অসি অহানবগী ওইনা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মফমশিংদা থাননবা য়েন্থোকপনি। মখা তানসু লাক্কদৌরিবা লেম্পশিংসু য়েন্থোকখিগনি হায়খি।

সোল্লর লেম্পশিং অদু চঙাঙ্গৈগী ব্লোজম স্কুলদা থাননবা ৫, খোংবান তাংখুল ভিলেজদা লৈবা ত্রিন ষ্টেট্যু ওফ লভ পিছ এন্দ য়ুনিটি পার্কতা থাননবা ১০, ৱাখা লৈমচিংদা লৈবা লুচিং পুরেল চিংশুবম অকাবা নীংশিং লূপতা ৫, কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহারাজ গম্ভির সিংহ সমাধিদা থাননবা ৩, ইম্পালগী থাঙ্গাল জেনরেল সমাধিদা ২ অমসুং হাইপৌ জাদোনাং গ্রেভয়ার্দ কম্প্লিরোনদা ৫ পীখিবনি হায়রি।

শেম্বা লোইদ্রিঙৈদা লম্বীগী মফম কয়াদা অকায়-অতোয় থোকপা হৌরে : সী এন পি ও

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন ঐচ আই দি সী এল)না পল্লেলদগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ফাওবগী লম্বী শেম্বগী চথরিবা থবক অসিদা অকনবা নুঙগী মহুৎতা চীংদা লৈবা নুঙ মখল (সেলেট) ওইনা শীজিন্নরম্বনা মরম ওইরগা শেম্বা লোইদ্রিঙৈদা লম্বীগী মফম কয়াদা অকায়-অতোয় থোকপা হৌরে হায়না চান্দেল নাগা পিপল ওর্গনাইজেসন (সী এন পি ও) গী প্রসিদেন্ট দেবিদ বোয়েসনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি সী এন পি ওগী প্রসিদেন্ট দেবিদ বোয়েসনা লুচিংবা চান্দেলগী তোঙান-তোঙানবা সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা টিম অমনা পল্লেলদগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ফাওবা কিলোমিটর ১৮ শাংবা লম্বীগী কন্সত্রক্সন ৱার্কশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা দেবিদ বোয়েসনা মখা তারদুনা হায়, শেল্লিবা লম্বী অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী মীয়ামগী পেন্দবা ৱাকৎ কয়া লাকপদগী ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অসি চৎপনি। লম্বী অসি মপুং ফানা শেম্বা লোইরবা মফম কয়াদা ব্লেক টোপ্পিং মথক্তা চেখায়রকপা, কোক শারকপা অমদি মফোল তানা কায়দুনা নুঙকুপ ওইনা লৈরম্বা কয়া অসি উরে। লোয়ননা লম্বী অসি শেম্বদা শীজিন্নগদবা নুঙ থম্ফম অসিদা সিলেটনা শেম্বা চিপ ময়াম অমা পৈদুনা লৈম্বসু উরে। মরম অসিনা লম্বী অসি শেম্বা লোইদ্রিঙৈদা করিগীদমক কায়রিবনো হায়বদু মফম অসিদা পৈরম্লিবা অসিনা মশানা তাকচরে হায়খি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন ঐচ আই দি সী এল)গী মখাদা লম্বী অসিবু শেল্লিবা কৃষ্ণ কন্সত্রক্সন কম্পেনিগী মেনেজর অমদি এঞ্জিনিয়রশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মফম কয়াদা লম্বী শেম্বা অসিগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা অপেন পেন্দা অমদি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা তৌহন্নিংবা থবক থৌরমশিংসু সী এন পি ওনা লুচিংবা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

'ইদ-উল-অধানা লাকপদা কোরোনা ভাইরস মরু ফুক্না মুখৎপা ঙম্বা পীরম্লসনু'

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ঙসি ইরমদম অমসুং মালেম পুম্বদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিবু ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ইদ-উল-অধানা লাকপা অসিদা তাইবংগী ৱাং-থোইরবা মপু অলানা কোরোনা ভাইরস অসিবু ঐখোয়গী ইরমদম, ইরৈকায় অমসুং মালেমদগী মরু ফংনা মুখৎপা ঙম্বা পীনবীরম্লসনু হায়না য়েংখোম নিলাচন্দ্র, এর্টেন্দিং কেন্দিদেট, ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা লাইনিংগী থৌরম ইদ-উল-অধাগা মরী লৈননা ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা সোরাগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬তা লৈবা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী লুখ্রাবী ২৫০দা শেলগী তেংবাঙ য়েন্থোকপগী থৌরমদা য়েংখোম নিলাচন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়, অসিগুম্লবা থৌরম অসিনা লাকপদা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা লুখ্রাবীশিং অসিগী অৱাবা অদুদা শরুক য়াজদুনা তেংবাঙজবনি। ককচিং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগা তান্নজদুনা য়াম্বা য়ামদবা থিদনা ঙমজবা খরদং ওইরবসু তেংবাঙজবা অসিদা হরাও হরাওনা লৌবীদুনা ইদ-উল-অধাগী থৌরম অসি নুংঙাইনা পাঙথোকমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তেংবাঙ য়েন্থোকপা থৌরম অদুদা এম ইনাকখুনবী, হান্না ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বী অমসুং বি সী সী, ককচিংগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

'ইমুং লিশিং ১৫ রোমদা মতেং পাঙখ্রে'

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ক্ষেত্রিগাও এ সী অসি কোভিদ ফ্রী ওইবা এ সী অমা ওইননবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীয়ু। ঙসি ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা পীরকপা মখল কয়াগী চৈথেং নংলবা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ইমুং লিশিং ১৫ রোমদা চান-থক্কবা পোৎলমশিং য়াওনা মথৌ তাবা কয়া তেংবাঙখ্রে হায়না এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী লোয়নবী নহাকফম রেখানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি থম্বালখোং সাবল লৈকায় অমদি তোপ অৱাং লৈকায়গী মফমশিংদা লৈবা ইমুং কয়াগী মীওইশিং হকথেংননা উন্দুনা কোভিদকী অৱাবা হংবা অমদি চান-থক্কবা পোৎলমশিং মতেং পাঙবগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। ভেন থৌদুনা ইমুং পুরম্বা মীওইশিং, শোথরবা ইমুংশিং অমদি অশানবা য়ুমদা লৈবশিং য়াওনা ইমুং কয়াদা এম এল এগী মায়কৈদগী মতেং পাঙবা অদু ঙসি লোইশিনবগা লোয়ননা মখা তানসু মতম-মতমগী ওইবা মতেংশিং পাঙননবা হোৎনগনি হায়খি।

নুংথিলচাইবী কম্যুনিটি হোলদা থম্বালখোং সাবল লৈকায়গী ইমুং ২০০ রোমদা চান-থক্কবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখি। তুংদা তোপ অৱাং লৈকায়গী ওইনা মফম অহুমদসু লৈকায় অদুগী মীওইশিং হকথেংননা উন্দুনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা ইমুং ৩০০দা চান-থক্কবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখি।

ককচিং গার্দেন শীৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ককচিং খুন্নাই চাউখৎহনবা লূপ (কে কে সী এল)না চথরকপা ককচিং মনুং তরু-তনান্না থম্নবা লমতূ শেংবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ওল ককচিং ষ্টুদন্টেস য়ুনিয়ন (অক্সু) অমদি উয়োক চীংয়া ক্লব (য়ু সী সী) গা খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী মীৎয়েংফম ওইরিবা ককচিং গার্দেন শীৎ শেংখ্রে।

শীৎ-শেংখিবা শরুক য়ারদুনা ককচিং এ সীগী এক্স-এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রসু হায়খি, নহাশিংনা অকোয়বগী ফীভম ফনা থম্নবা হোৎনরকপা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। টুরিজম স্পোট অমা লৈবা হায়বসি লমদম অদুগী ইকনমিগী ফীভমসু ফগদবনিনা য়ারিবমখে ককচিংগী মফম চাবশিংদা টুরিষ্ট স্পোটশিং শেমগৎমিন্নসি হায়খি। লোয়ননা ৱাই সুরচন্দ্র য়াওনা ইনভাইরনমেন্ট কন্নবগী পান্দমদা উহৈ পানবা পান্বী কয়াসু থাখি।

ইদ-উল-অধাগা মরী লৈননা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): মোইরাং এ সীদা মীরেপ ওইখিবা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা মহাক্কী মায়কৈদগী মপুদা ঙমজবা খুদোলকৎপা ওইনা মুস্লিম লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা লাইনিং-লাইশোলগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্মৈ ইদ-উল-অধা থৌরমগা মরী লৈননা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমসুং ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়টকী অপূনবা ইমুং ৩৭০০ রোমদা য়ুমথোঙ অমমমগী চেঙ কে জি ৫/৫ য়েন্থোকখ্রে।

মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা শীন্দুনা মোইরাং এ সীগী মরুওইনা মুস্লিমশিংনা খুন্দাবা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল অমসুং ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা য়ুমথোঙশিংদা চেঙ য়েন্থোকখিবা অসিদা ফ্রন্ট অসিগী য়ুনিট কম্মিটিগী লুচিংবশিং, মেম্বরশিং, সোসল ৱার্কর টি ঐচ শান্তি, ফ্রন্ট অসিগী চীফ এদভাইজর ৱাই মোধু অমদি জেনরেল সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারসু শরুক য়াখি।

কংলাগী ঙমখৈসু ঙাকপীয়ু : ফেদরেসন ওফ হাওমি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): কংলাগী নোংপোক থোঙ শাবগা লোয়ননা কংলাগী ঙমখৈসু ঙাকপীয়ু হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. লৈশেম্বা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা কংলাগী নোংপোক থোঙ শারিবা অসি মীয়াম্না পূক্নিং হকচাং য়াওনা শৌগৎনরি। হন্দক কংলাদা খীল্লিবা কংলাশা অনীগী ময়াদা কবাক খন্দুনা থল্লম্বা চৈঙাকশিং লৌথোকখিবা অসিমক সী এমনা মীয়ামগী খোল্লাও তাবীবা অমদি তুংলমচৎকী য়েংলগা পাঙথোকপনি হায়না হাওমিশিংনা লৌই।

চেরোল অসিনা হায়, ইরৈপাক ইরমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা কংলা অসিবু ঙসিগী লৈঙাক অসিনা লেপ্তুনা শেমগৎ-শাগৎলি। অদুবু কংলাগী পাক চাউবা কেপ্টেন ঈ দল্লিয়ু দুননা কুমজা ১৮৯১দা য়েকপা মেপকী মতুংইন্না স্কোৱার কিলোমিটর ১ সিমক্তি পুন্না শেমগৎপা ঙসি ফাওবা উদ্রি। কংলাগী নোংপোক থংবা শরুক পোং ইংখোল (নোংপোক ইংখোল) অসিদি লৈঙাক লৈতবগুম মীওই কয়ানা খোপচিন্দুনা লৈরে। অসিদা নত্তনা কৌনা থাঙ্গপাৎ অদুসু আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টনা মণিপুর লৈঙাক্তা কুমজা ১৯৯৩-৯৪গী মতমদা ঙাক শেন্ননবা কয়ারক প্রপোজ তৌখ্রবনি। অদুবু মতমদুগী লৈঙাক্না তাদবদগী ঙসিদি লন্নাইগী য়ুম কয়া শাজিনখ্রে।

মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীবা অমদি তুংগী য়েংলগা থবক পায়খৎপা লৈঙাক অমা কুইনা মণিপুরগী মীয়াম্না ফংদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি পাল্লিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না থাজবা থল্লিবদি হন্দক কংলাগী নোংপোক থোঙ শাবা অসিগা লোয়ননা কংলাগী শরুক অমা ওইনা নোংপোক ইংখোলদা তাশিল্লিবশিং অসি তকথোকপীদুনা কংলাগী অশেংবা শক্তম অদু তুংলমচৎকী য়েংলগা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা শীন্নবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা হিয়াংলমগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা সোসল ৱার্কর মাইবম ধনবিরনা চান-থক্কবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। তোংবাঙ পোৎলমশিং অদু হিয়াংলমদা মাস টেষ্টিং তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রবা হিয়াংলম লাইপাঙ্গলবদগী হিরানমৈ ফাওবদা লৈবা ইমুং ৯৩দা য়েন্থোকখিবনি।

পৌরাবিদা উ চারা ১০০ থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী মিসন ৱান লাখ ট্রী প্লান্টেসন প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি পৌরাবিদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী উ চারা ১০০ থাখ্রে।

থৌরম অদুদা এন দি আর এফকী ইন্সপেক্টর ঐচ থাং জোসেফ, এন দি আর এফকী এ এস আই, এস সঞ্জয়কুমার, এস দিনেশ, পৌরাবি রেজিং ষ্টার ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি এল মাইপাক, ক্লব অসিগী থৌমীশিং, জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিগী প্রিন্সিপাল ৱাহেংবম জনমঞ্জয় মীতৈ অমদি সোসল ৱার্কর সোরোখাইবম শ্যামকেশ্বরসু শরুক য়াখি।

এন দি আর এফকী ইন্সপেক্টর ঐচ থাং জোসেফনসু ঐখোয় গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং চাউনা ফংবা হৌরক্লে। মরম অদুনা তুংগীদমক খল্লগা ঐখোয় উ থাসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন (এস) দিরেক্টরনা আপীল তৌরকপা অমদি আর ও পি ২০১৯গী রেক্টিফিকেসন প্রোসেসকী মতাংদা লাক্লিবা দিভেলপমেন্ট অসিগী য়েংলগা জোইন্ট টিচরস ফোরমনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা পেন দাউন ষ্ট্রাইক অমদি ঐচ এস এল সী ঈ অমসুং ঐচ এস ঈ ২০২১গী এসেসমেন্টকী থবক্তা কোওপরেসন পীদবগী খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লেহায়রি।

ইমা মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নূপী লূপকী প্রসিদেন্ট সনসম নিংঙোল সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা হৌখিবা জুলাই ১৬তা লৈখিদবদা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লখ্রে।

ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নূপী সমাজ)গী জেনরেল সেক্রেটরি পি সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমা মোমোননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অমা উরিপোক পোলেম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা ঙসি কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংগী লুচিংবা/লুচিংবী কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইমা মোমোন লৈমগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ অমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অদুদা অমকিল, নূপী সমাজ, তম্মী-চীংমী, ইচল, য়ু এম ও, ঈভফম, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নূপী লূপ, নিম্পাল, অনুল, থৌবাল ইমা, এমসু, য়ু পি এফ, নিপকো, মপি কাউন্সীল, য়ু সী এম, ঐচ আর এ, কাদা, য়ু পি এ সী ও, মচা লৈমা, লৈমকোল, পাওনা বজার ৱিমেন্স ওর্গনাইজেসন, খ্বাইরম্বন্দ নূপী কৈথেল শেমগৎ শাগৎপা লূপকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবসু লূপশিং অসিনা শরুক য়ারি হায়রি।

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবা পান্দমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা বি জে পিগী মন্দল ৩গী মন্দল কম্মিটি মীটিং অমদি কোর কম্মিটিগী মীফম ঙসি এন ঈ ষ্টেটকী বি জে পিগী জোনেল ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি অজয় জমৱালনা শরুক য়াদুনা খোংজোম টুরিষ্ট গেষ্ট হোমদা পাঙথোকখ্রে। বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অজয় জমৱালনা লুচিংদুনা এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যাম, এম এল এ ব্রোজেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এল দেবেন, পি প্রেমানন্দ, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎ অমদি পার্টিগী থৌমীশিং শরুক য়াখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINTHOUKHONG

Ref. Mutation Case No. 188/SDC/NTK/2021

1. Thangjam Nandeshwori Devi D/o Late Thangjam Nandashyam Singh of Moirang College Gate.
2. Thangjam Sushitra Devi D/o Late Thangjam Nandashyam Singh of -do- - Petitioners

-Versus-

Late Thangjam Nandashyam Singh S/o Late Th. Angangjao Singh of Sunushiphai. - Opponent

/ NOTICE

Ningthoukhong, the 17th July, 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 47-Sunushiphai Village গী 1. Patta no. 231 (N) CS Dag no. 139 Area 0.77 acre, 2. Patta no. 72/178 (N) CS Dag no. 141 area 0.5425 acre গী ফৌরেল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মচানুপী (Petitioners) শিং অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে, মরম অসিনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৪/০৭/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/6333/18

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref. Mutation Case No. 189/SDC/NTK/2021

1. Thokchom Bijita Devi W/o Pukhrambam Karamchand Singh of Ningthoukhong Ward No. 6 - Petitioner

-Versus-

Late Thokchom (O) Mema Devi Wo Thokchom Nimai Singh of Ningthoukhong Kha Khunou - Opponent

/ NOTICE

Ningthoukhong, the 17th July, 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta no. 342/570 (O), 96/2629 (N) CS Dag no. 1316/3010 Area 0.11 acre গী ইংখোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মচানুপী (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৪-০৭-২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপাতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/6333/18

SPECIAL WHOLESALE RATES OFFER

1. Indarum Herbal Immune Booster
2. Fever Care Capsule, Arthro Oil, Fat Burner, Panch Tulsi, Active Power
3. Onions, Potato, Sugar, Dal Beshan
4. Oximeter, Latex Gloves, Sanitizer, 3 PL Mask
5. Yarn (Lang)- Muga, Akhetpa/ Ashungba, One ply, Two ply Cotton Pashmina, Castor, Padama

Contact No. : 9004619348,
Keishamthong Elangbam Leikai

HL-P/6885/14-20